# “মখোঙ অনী পানবা শা-!”

**– এল ইবোমচা –**



অহল-লমনশিংনা হায়বা শিবু-শিদ্রবদি নোংমদি উনরমদবা, খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং কয়া শোয়দনা উনরক্কনি অমদি অনৌবা জাৎ-জাৎ কয়া'মসু চৎনরক্কনি হায়রম্বদু য়াম্না চুম্বজাৎনি। মদুদি মমাঙঙৈদা য়ূম অমদা লাইগী উৎসব অমা কৎপগী ওইরো অমদি চাকচা হৈজানবা অমা পাঙথোকপগী ওইরো কোর্ফু, য়োৎশবী, খাঙ, তৈই, লাই খুদেংনচিংবা লৈকায়দগী ৱাইরগা পাঙথোক্লরম্বা ঙাক্তনি। ঙসিদি মসিগুম্বা থৌরম অমা পাঙথোকপদা ৱাইবা খোৎপগী থবক তৌনদ্রে, মফম অমদগী শেলনা পুল্লপ ৱাইনরে। মসিদগী হেনবা চাক ঈশিং ফাওবদা চাকশঙ লিংবা মফম অমদা উৎসবকী ওইরো, চাকচা হৈজানবগী ওইরো শীংলগা পুল্লপ পুরল্লগা ইকোম কোম্না থৌরম পাঙথোক্লরে। মসিনা মরম ওইরগা থৌরম মফম অদুদা চাকথোংবগী মৈখু চেলহন্দ্রে, খাবৈ-চেগপকী মখোল তাহন্দ্রে, থাও শোক তৌবগী মনম-মহাসু চেলহন্দ্রে। অসুম্না চৎনরক্কনি হায়বসি কনানা থাজরুনি। অদুগা কর্ম্ম অমা পাঙথোকপদা মান্দবকী ময়োলদা ফন্লিবা ভাবকশিংদা শেল থাবা (ভাবক মমায় তাবা) হায়দুনা তৌদবা য়াদ্রবা অমগুম্না চৎনরল্লিবা অসিসু অসুম্না চৎনরক্কনি কনানা থাজরুগনি।

ঙসিদি থৌরম মফম অমদা ভাবক ওইবা শেল ফংই খঙনরকপনা ভাবক ওইহৌনবা থৌরম মপুদা ৱানোম্বগী থবক চৎনরল্লিবসি কনানা থাজরুনি। অদুগা অমনা লুহোংবা নুমিত্তা নুপা ময়ূমগী মীওই অহুম কৈন্যাগী য়ূমদা অহানবা চৎপদা য়াওজগে হায়না বরগী মপাদা লুহোংগদবা ৱাৎলিঙৈদগী ৱানোম্বা অমদি লুহোংবগী চেবাউ ফংলবশিংনসু লুহোংবা নুমিত্তা ঙন্তানা লাক্লরগা বর মপাদা কৈন্যাগী য়ূমদা ঈশৈ হৌরুনবগী অহানবা মীওই অহুম চৎপদুদা য়াওজগে হায়দুনা ৱানোম্বগী থবক চৎনরল্লিবা অসিসু কনানবু থাজরুনি। অদুগা মহৈ-মশিন তমহন্দুনা চাউননবা য়োকপী থাকপীরল্লিবা হেক পোকপা মপা মমাবু নুংঙাইনা থন্বীরিবনি হায়দুনা ওল্ড এজ হোমদা থম্বগী চৎনবী অমা লাল্লিবা অসিসু অসুম্না চৎনরক্কনি কনানা থাজরুনি। অদুগা অমনা ইস্কোল শম্বল য়েংশিন্নবা খোংবান-লুকপান তৌনবা থম্বা মীনাইনা মপুগী লম মুন্নবা লান্দারক্কনি হায়বসি কনানা থাজরুনি। মসিদি মীনাইনা মপু শাগে হায়বনি। মীনা ‘শু’ হায়দুনা থৌজিল্লগা মপুদা চিকপা হূইনি। মপুদা চিক্লুরবদি করম্বা চৈরাক ফংগনি খঙদবা হূইনি-! শিবু-শিদ্রবা জাৎ-জাৎ থেংনরক্কনি, উরক্কনি হায়রম্বদু য়াম্না চুম্মী।

অসুম্না মীতৈদা লান্দারল্লিবা হূইশিং অসি অতৈ কনাসু নত্তে মতম অমগী মীতৈ নিংথৌশিংনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা শৈদাংফম লৈফম পীদুনা মচীঞ্জাকসু থাকপীবা, মখূৎ পায়দুনা লৌউ-শিংউবা য়াওনা মহৈ-মশিনসু তাকপী-তন্বীখিবা ম্যান্মার লৈবাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা মণিপুরদা শৈদাংলিবা কুকিশিং অসিবুনি। কুকিশিংগী অকনবা লান্দাসি মণিপুর অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা চপ চানা থেংনবীগদবদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপগী মতৌদুদা মীতৈশিংনা থম্মোয় প্রোক-প্রোক চাক্লা খাঙনখি। কা হেন্না থম্মোয় চাল্লবা মীতৈ নহাশিংনা লিংবা অরাম্বাই তেঙ্গোলনা মণিপুর লেজিসলেটরশিংগা পূন্না ৱাশক লৌমিন্ননবা হৌখিবা জন্যুৱারী ২৩, ২০২৪দা কংলা মনুংদা পুনখি। নুমিৎ অদুদা কংলা মমাঙদা ইন্দিয়ান আর্মিশিংনা অকনবা লানফম অমা শোক্লবগুম্না হৌজিক্কী মতমগী চপ চাবা লানগী খূৎশু খূৎলায় ময়াম অমা পায়নরদুনা মুক্তুনা লৈখিবা মতৌদু মদুমুক ঙকপা অনী শুদে। নুমিৎ অদু কুকিশিংগী মীনুংশি খঙদবগী অকনবা লান্দা খাঙবদা ৱারবা অরাম্বাই তেঙ্গোল নহাশিংনা লান লোইশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্তা নীংঙাই তৌবনি। অরাম্বাই তেঙ্গোল লালহৌবা কাঙবুসু নত্তে, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা য়াদবা থবক তৌবা কাঙলূপ নত্তে খঙনা খঙনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনা উৎখিবা মতৌ অদুমক্তি খরা হেনমল্লি হায়বনি। কুকিশিংগী ওইদবা চিরোন ৱাহৈদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অরাম্বাইগী নহাশিংবু চিংননা লৌরসু মসিদা মীতৈশিংনা হায়নীংলিবদি মখূত্তা খূৎলায় অমত্তসু পায়জবা নত্তবা চুম্না অসুম লৈঙাক পায়বা য়াওরিবা এম এল এ/এম পিশিংদুদা মপাঙ্গল হাপ্পগী ৱাশক অদুদা অরাম্বাইগী নহাশিংবু ইন্দিয়ন আর্মিনা লালহৌবগুম উবা অমদি চাইনাগী, পাকিস্তানগী লান্মীগুম্না উবদুদি ইন্দিয়ান আর্মিগী হৈশিংবা, থৌনা অমদি মপাঙ্গল অদু অরেম্বদা শীজিন্নরে উবদা য়াম্না পকচদে হায়বনি।

চেকশিনফম থোকপদুদি সূগী মরুমদা তৌনীংবতা তৌরিবা লমদমসিদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট কুকি মিলিটেন্টশিংনি অমদি মখোয়বু লান্না লমজিংলিবা কুকিগী এম এল এ তরা অসিনা ওইফম থোকই। মসিগুম্বা লৈবাক থুগায়নবা হোৎনরিবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী ৱাংমদা চৎলিবা মখোয় অসিবুনা লুনা চান্না য়োকখৎতুনা থন্বীরি। মীবু শা ঙাগুম্না হাৎলিবা মীগী শক্তম ওইরবসু শাদগী হেন্না শাথীবা লমচৎ শাজৎ চৎলিবা মীফৎতশিং অসিবুনা কনখৎতুনা থল্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সেসশিংগী মতৌ অসি য়েংবদা অঙকপা ফাওই, মীৎ নাই হায়বনি।

তৌবদি ঙসি অসি মালেমগী ওইনা খম থেংনা চাওখৎলবা মতম হায়বদু ওইরে। বিজ্ঞানগী মতেংনা মীওইবনা ঙমদবা অমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। শুপ্নতগী অশিবা থৱায় হিঙ্গৎহনবা ঙমদবতা ঙাইরে। অদুবু ঙসিগী অসি য়ৌনা খম থেংনা চাওখৎলবা মতম অসিদা মশানা মশাবু নিংথৌ ওইনা হাপচরগা মশাগী মখুন্দা হাইনা হুম্না পাল্লি। মসিনা মরম ওইরগা কুকিশিং মশাগীতা খন্দুনা মীওইবগী অফবা, ফজবা অমদি অচুম্বা হায়বসিগী মশক অমদি মমল খঙজদ্রে। মখোয় মশা-মশানা ঐনা হেল্লে-কল্লে, শিংলে, থৌরে হায়বা ৱাখলদা চংনখিদুনা ময়াই কাবা লান অমদি অশোনবদা তুহৎপগী অরানবা ৱাখলদা চৎনখ্রে। মরম অসিনা মখোয়সি মথ্বায়দি পাল্লি হায়ববু শাদগীসু হেন্না তমথীবা জীব হায়বদু ওইরে। অমরোমদা, শাদি মা-মাগী কাঙলূপকা পূন্না লৈমিন্নৈ, তমথীরবা নোংশা, কৈনা মচা য়োকই। নোংশা, কৈনা অশোনবা জীবশিংবু মচীঞ্জাক ওইনরবসু নোংশানা নোংশা চানদে, কৈনা কৈ চানদে। কুকিশিংদি মশানা মশাবু নিংথৌ ওইনা হাপ্লবনা মীচম অমত্তা উবা য়াদে, হাৎকে-তুপকে তৌই। মরম অসিনা কুকিশিং অসি শাদগীসু হেন্না তমথীবা লীচৎ শাজৎ চৎলি। মশাগী মতিক ময়াই য়েংদনা নাপলনা মাঙ থাখিদুনা অপঙবা মপাল থোক্তুনা চউজনীংবা, পোংজনীংবনা মথৌদাং ওইনদুনা লৈনরি।

কুকিশিংনা শাথীবগী চাং অসি কয়ামুক য়াম্না ৱাংবগে হায়বদা মণিপুরগী লম খোপচিনবা য়ানবা মখোয়গা নাৎ-চৎনবী মান্নবা অমদি মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈশিং ময়াম অমা ম্যান্মারদগী মোরেদা কৌশিন্দুনা খুন্দাহল্লগা মোরে অসি মখোয়গী ফূরুপ খক্তগী লল্লোন ইতিক্কী মফম অমা ওইনবা হোৎনৈ। মসিগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ১৯৯২/৯৩গী নাগা কুকিগী লান্দা নাগাশিং মোরেদগী শিৎ নান্না তান্থোকখি। মসিদগী নাগাশিংগী থম্মোয়দা হৌজিক ফাওবা নুংঙাইতবগী মমিদু তাদুনা লমন খুম্নিংবগী ইখৌ লাংদুনা লৈনরি। নাগা, কুকি চীংমাই অমদা পূন্না খুন্দাদুনা লৈমিন্নবা ওইবনা নাগাশিং অসি মতৌ করম্না মোরেদগী শিৎ নান্না তান্থোক্কনি হায়বসিদা য়াম্না লুনা খল্লম্বদু ইরায় লায়না তান্থোখিবদা কুকিশিং মথৌনা হেনগৎলকই, কুকিলেন্দগী মঙলান্দা তূম্বা-হিপ্পা-চাবা খঙনরক্তে। মথংদা মীতৈশিং মোরেদগী অমদি চীংগী অতৈ মফমশিংদগী মতৌ করম্না শিৎ নান্না তান্থোকসিগে হায়বসিদা কোক থাদদুনা লৈখিবনা অতৈ অতোপ্পা চাওখৎ থৌরাংগী ৱাখল অমত্তা খনবা শংখিদে।

মীওইবা হায়বসিদি ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা, তৌবীমল মশক খঙবা, মীনুংশি লৈবা, ইকায়বা মশক খঙবদা য়ূম্ফম ওইরগা হিংবনি। অদুবু কুকি ফূরুপকী মীওইশিংদি মসিগী ওন্নবদা মীতৈশিংগী ইপা-ইপুশিংনা মশাগী ঈখেংনা অমদি হুমাং-মলনা থন্বীরম্বা মণিপুরগী মনুংদা লৈবা মরু ওইবা মীতৈশিংগী লাইফমলেন অমা ওইরিবা থাংজিং চীংবু মাউন্ট ওলিব হায়না মখোয়গী ওইবা অরানবা পুৱারী অমা শেমজিল্লগা খৃষ্টিয়ান লাইনীংগী ক্রোস মার্কা য়ুংশিল্লি, মসিমক্তি লাই মীনম চাবা, ইকায় খঙদবগী চপ চাবা খুদম্নি। অখঙবশিংনা তিন শিৎনিংবা, মীনু-খাংনি, মীফত্তশিংনি, য়েংবদা তাইবঙ মীওইবা ওইনা উনরবসু “মখোঙ অনী পানবা শা-!” ঙাক্তনি হায়রোইদবা মীওই অমত্তা মালেমসিদা লৈরোই!! ●

# নিংথৌ অঙাওবা

**– বি সী খুমন –**

ঐ খঙই মহাক (অঙাওবনি হায়নবা) শুকঙাও ঙাওদে। ঙাওশন্নবসু নত্তে। ঐগী মীৎয়েংদগী মহাক খক নান্থোকপা ঙমদ্রি। অঙাওবা শানা মানা মচী-মচীদা পীরিবা স্পীচ নৈননীঙাই ওইমল্লি। প্রোফেশনেল ওইবা মীওই অমনি হায়দবা ঙমদে। অদুবু মীয়াম্নদি অনৌবা অঙাওবা অমনি হায়দুনা মাগী অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইবা মথৌ হাপ্লবা দাইলোগশিং তাননবা ওমশিন্নরি। মীয়াম্না য়াবা মীশক ওইরি। মহাক কনানো, কদাইদগীনো, মমিং করি কৌই, করম্না কৈথেলসিদা ঙাওরিবনো কনাসু থিগৎনদে। সিমত্তংদি হায়নৈ-“নিংথৌ অঙাওবা”। মহাক্কী মিংসু নিংথৌ কৌদে খঙই, করি কৌই হায়বসু থিগৎনীংদ্রে। ঐগী মহৌশাগী প্রোফেশন অমুক মথৌ হাপ্পীংদ্রে। ইচম চম্না সিনিয়র সিটিজন অমা ওইনা লৈরিবসিনা পেন্থোল্লগে খনখ্রে। “মণিপুর” শেম্বদা থোল্লরোইদবা মল্লবা গাড়ীগুম্বনি। পার্ট অমত্তা মথৌ পাঙবা ঙমদ্রে। নম্ফুদা থৌমনবা তোইমনবনা কন্দেম তাখ্রে। কৈদৌঙৈ চপ লেপখিনি-ঐসু খঙদে। থৌবদি থৌনরি মঙম শান্দ্রে।

নিংথৌ অঙাওবা - অঙাওবা মান্নবা হোৎনবদা শকফম্বুদি কায়না উরে। মশম-মনা, মফি-মরোল, তোংলিবা মঞ্জুনরবা চপ্পল, নাকন্দা য়াল্লিবা পাইতু (খাও) অঙাওবগী মচল ঙাক্তনি। অদুবু মা নুরা থাংদে, কুচু খাম্না মুদ্রি, পংচাদা চাশিন্দ্রি। মীনা পীবা শেল, অচাপোৎ লৌনি খঙলি। চুরুট, তলব, খৈনি মা লৌদে। পীরম্ল'সু লংথোকখিনি। লাউগনি - “ময়াই কাবা চীঞ্জাক ময়ামসিনা কংলৈচা ময়াম স্লো পোইজনীং মীশিদা শিদোইনি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাগুমসি”। ককপা য়াদবা মেসেজনি। হৈশিংনা এৱ্যেৰ্নেস পী।“ মীনা চানববুদি শাবনি অদো শারিবশিংসিদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক চারম্মোই-থীরুচো, অপঙ মরল অশিংবনা চারিনি ”। কয়াদা ৱাংখ্রবা ফিলোসোফিনো, হু শারিবা, শেল্লিবশিংনা হু থল্লমগদ্রা?

নোংমা নুপী কৈথেল মরক্তা ইমা-ইবেল, ইচল-ইচা ময়ামগা য়াম্না চীকথনা ৱারী শাদুনা লৈরম্মী। তৌবুদি কৈথেল পোৎলক্কী হোটেল অমদা মখোয় খরনা চাক পীজবা জাৎনি। মাগী ৱাফমদুবু ঐ ফাওবা ৱাখলনা লামশিল্লুদ্রি। “ইমা কৈথেল ফন্লিবীশিং নখোয়দি খঙদ্রি মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী নুপী ঙাক্তনা কৈথেল ফন্লিবী “খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল/ইমা কৈথেল” মমি শামজিল্লক্লেদো। কৈথেল ফম্লগা ইমুং পুননি, ইচা-ইশু মহৈ তমহন্নি খনবশিং মমিত্তগী মপি কংলরোই। কৈথেলদা মোংবা চঙলে, কৈথেল লাইরেম্বীসু খম থেংনা ৱারৌখ্রে।” সিবু অঙাওবগী চোইরোল্লনে, শান্না উবা মীৎয়েংদগী তুংগী পোম্মিৎ খঙবা মান্না ঙাঙলিসিগী মরুমদা অঙকপা অমা য়াওরি, নিংথৌ অঙাওবা মুন্না খঙনীংলকই। নোংমসু সিনিয়র সিটিজনশিংগী পোত্থাফম সহিদ মিনার মনাক্তা ময়াম্না পুমকোয় কোয়শিল্লগা ৱাহং-পাউখুম তৌনরম্মী। মহাক্কী পাউখুমশিং মরীক চুম্মী, মহাক্কী ৱাহংশিং মরৌ লৈ। অঙাওবা অমগী কোক্লা খল্লোয়দবা ৱাখল মঙোন্দা লোৎতুনা লৈরি। মানা তত্তনা শোল্লি, “কোয়না চত্তুনা থিবা য়াবা থিরবনি, ফংবা কৌবা লৈত্রে। ঐখোয়বু লুচিংবীগদবা অমদি মথি ফোংদনা লৈরি- ঐ থিবা ঙমদ্রে, ময়ামসু থিবীয়ু-পাংবা য়াবা মতেং পাংজগে”। ঐনা মতৌ য়েংগে খন্না চোংথোক্তুনা হায়রুই - ‘ইবুংঙো নশানা নশাবু থিদুনা সুম লৈরদি, নঙগী অপাম্বা ফংলোইনে।” নিংথৌ অঙাওবা ঐঙোন্দা শংত্রিক য়েংলগা ময়াম মরক খায়না তূমিন্না চৎখ্রে। চৎনা-চৎনা শোল্লম্মী “ঐবু খঙদবশিংনা ঐগী লম্বী লম্ফাংনহল্লনি। লমদমসি মণিপুরনি, মণিপুরদা ওইথোক্তবা হায়বসি লৈতে”। মহাক চৎখ্রে, উনা-উনা চীক্লা চায়না ঙমদ্রবা বিটি রোদকী মীয়াম মরক্তা মাঙখ্রে।

চুম্নি, ইমা কৈথেলগী মশক হোংখ্রে, খূৎশেমগী অহোংবনি। নোংমগী শেন্দোং খরগীদমক নোংজু-নুংশা থিদনা কৈথেলসিগী মপান তাংনা হিংজরম্বা ইমা-ইন্দোলশিংগী লল্লোন ইতিক্কী লম্বেল মফাং মফাংনখ্রে। করিসু খঙজরমদবী ইমা-ইন্দোলশিং ব্রেনৱাশ তৌবীদুনা মতম মতমগী ঈরাং মরক্তা হ্যুমেন শিল্ড ওইহনবীবনা মখোয়গী ৱাখল চরাংনহল্লে। লৈঙাক্লা কৈথেল ইমা ইন্দোনশিংদা য়েংলম্বা মীৎয়েং থৈখ্রে। পোৎ য়োঞ্জগদবা ইমা-ইন্দোনশিং কৈথেলদা ফমদুনা পোৎ য়োনবগী মহুৎ মতম-মতমগী ৱাথোক-লান্থোক্তা লোয়চেন্নদুনা লৈরে। মসিদনি নিংথৌ অঙাওবনা ইমা-ইন্দোনশিংদা - শাওনা লাও-খোংলিবা, “লো মেকরশিংনা লৈবাক ঙাকচসনু, থানা-পুলিসনা আইন ঙাকচসনু, উকিলনা ৱায়েলসনু। মথৌ মশক খঙনা লৈবাক্কীনি খন্না কখোকপগী ৱাখলগা লোয়ননা ঈংনা-তপ্না পাঞ্জগনি লৈবাক্তু। অফবগা-ফত্তবগা খেন্নবনি। মী খুদিংমক অফবা পাম্বনি। মণিপুরী অয়াম্বনা ফত্তবদা অসুক্কী মতিক মীতানরিবসিননি মণিপুরনা লৈখা তারল্লিবা। কৈথেল ফম্বী নুপীলক্তসু শরৌ-লাংদা থুখিবা য়াওবনা কৈথেলগী মশক মাঙলল্লিবনি। কৈথেলগা সী এস ওশিংগী থৌদাং য়াবগা পুনশিন্নবা য়ারোই।” নিংথৌ অঙাওবনি হায়জরসু মাগী ৱাখলদি ময়াক চমদ্রি। পেন্দবগী অদুক খজিক্তি চরাংনরে।

থাজদনা হন্দক মরক্তি নিংথৌ মশক উখিদ্রে। কৈথেল ফম্বীশিংনসু শোন্নৈ “নিংথৌদুবু নারবজাৎলা, লাকখিদ্রে...” ঐসু নুংতিগী সহিদ মিনার মনাক্তা ঐখোয় সিনিয়র সিটিজেনগী ৱাকিং চৎলুবগী পোত্থাফমদুদা অদুম চৎলিবনি। মহাক উখিদ্রে। ঐখোয় মশেলসু হংনৈ, নিংথৌ কৈদৌখ্রজাৎনো? কনা'মনা থৌশাদনা হায়রকই- “লম্বেল হোংলম্লনি” অমনা হায় “ইমুং মনুংদা ফাজিন্দুনা থমখ্রজাৎলা?” ঐনদি খল্লি - মহাক খুদোংথীবা তারম্বসু য়াই নৎত্রগা মতম খরা লোৎলমগনি। ঐখোয় মরক্তগী অহল খরা ওইরবা উকিল জয়ানন্দনদি শোল্লপ মাগী কম্মেন্ট পীরকই- “নিংথৌদু খুঙাও চুমদে, ইন্টিলিজেন্সকী লাংদা থুরম্বসু য়াই”। ময়াম পূম্বা পেন্নদা-পেন্নদা কায়নখি।

য়ূম য়ৌবদা ইশুনুপী লৈশাবী মেমথোইনা হোবে-হোবে চেন্থোরল্লগা তম্মী, “পুপু নিংথৌ অঙাওবদো আর্মিনা ফাখ্রে হায়দুনা নম্বোলদা নুপী ময়াম্না ঈরাং হৌরেয়ে-তু! মোবাইলদা থাগৎনরল্লিসিনি।” য়েংনা য়েংনা মিত্তগী পি তাখিবগুম তৌখি। খল্লি, নিংথৌগী করি মরাল লৈ। মমা লৈবাক নুংশিজবগী অদুক অশোয়বশিং থীন-থীন্দুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগীরা? নৎত্রগা পি আর লৈঙাক্কী কন্সপিরেসি থিওরি সবাক ফাল্লুবগীরা? খঙদে লমদমসে দেল্লী লৈঙাক্কী ‘মীনুংশি’ য়াওদ্রিমখৈদি ঈং-তপকদবা লৈত্রে। ডাক্তরনা খূৎ থাও য়াদ্রবা অনাবদু ঙাইরে, কমদৌনি। ●

# দাইবেটিশ হায়বসিনা নহাক্কী খোঙ অদুগী খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা য়েক্লবনি

**– ডা. কে কে পান্দে –**

সিনিয়র ভাস্ক্যুলর এন্দ ইন্দোভাস্ক্যুলর সর্জন,
ইন্দ্রপ্রস্থ এপোল্লো হোস্পিটাল, সরিটা বীহার, ন্যু দেল্লী

হৌজিক্কী মতমদা অফবা পূন্সি-মহীংদা হিংনদবা মরমদগী দাইবেটিশনা নাবা মীওইশিংগী মশীং অসি ঈশিং-ঈচাওগী মতৌগুম্না হেনগৎলকপগা লোয়ননা খোঙ অসিবু থৌওইদবা অমসুং নীংথিনা য়েংশিন্দবদগী অনাবা মীওইশিংগী খোঙগী ফীভম অসিসু খুদোংথীনীংঙাই ওইরল্লি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা দাইবেটিশনা নাবা মীওইশিংগী খোঙ ককপগী চাউরাকপা চাং অসি চহীদা চাদা তরা ওইরি, হায়বদি মীওই চাম্মা দাইবেটিশনা নাবগী মনুংদা অনাবা মীওই তরাগী খোঙ চহী খুদীংগী ওইনা কক্লি। দাইবেটিশনা নাবা মীওইশিংগী খোঙ ককপা য়াবগী চাং অসি দাইবেটিশনা নাদবা মীওইশিংদগী শরুক অমগা মখায়রোম হেল্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনদে। দাইবেটিশনা মতম শাংনা নারকপা, ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং কন্ত্রোল তৌদবা, হক্কী ঈশিংদা এলব্যুমিন য়াওবা, মীৎ উবগী চাং নেম্বা, চুরুট থকপা, খোঙদা মরেং-মরেং চৎপগা লোয়ননা ঈগী সপ্লাই ৱাৎপা ৱাফম পুম্নমক অসিনা দাইবেটিশনা নাবা মীওইশিংগী খোঙ কক্লবা দাইরেক্ত নৎত্রগা ইন্দাইরেক্ত মরম ওই।

**ঐখোয়গী লৈবাক্কী মিপাইনীংঙাই ওইবা ফীভম** - দাইবেটিশনা খোঙলৈ থুনা নৎত্রগা তুংদা হকচাংগী কয়াৎ পুম্নমক্তা লান্দারকই হায়বা ৱাফম অসি ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীওইশিংনা খঙনদে। লায়না অসিনা হার্ট অমসুং ব্রেইন অনী অসিদা শোকহল্লি, অদুবু খোঙ অনী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকই। দাইবেটিশনা নাবা মীওইশিংনা দাইবেটিশ হায়বসি মশাগী খোঙশিং অদুগী খ্বাইদগী হেন্না চাউবা য়েক্লবনি হায়বা ৱাফম অসি খঙজদে। অনাবশিংনা মশানা খঙনা নৎত্রগা খঙবা তৌদনা খোঙউপ তোংদনা চৎলি। মসিগীসু মথক্তা কনাগুম্বা দাইবেটিশনা নারবা মীওই অমনা নুমিৎ খুদীংগী খোঙউপ তোংদনা নাপী মথক্তা চৎলবদি মশাগী হকচাংগী কয়াৎ পুম্নমক্তা মরু ওইনা খোঙশিংদা য়াম্নমক কান্নহল্লি হায়নসু অরানবা মওংদা থাজবা পোক্লে। চৎলিঙৈদা খোঙদা চৈনাখোল পোল্লকপা নৎত্রগা জিং-জিং লাউরকপা মতমদা থৌশানদে। দাইবেটিক অনাবা অমনা মতৌ অসুম্না চেকশিন্দবা অসিনা মশাগী ফীভমদা শোয়নাইহল্লক্লবা মরম অমা ওইগনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনদে। খোঙগী ৱাফম অসিদি তোঙান্না থমখ্রগা, মীয়াম্না মশাগী ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং অদু কন্ত্রোল তৌগদবনি হায়বা অসিফাওবা কয়া খন্থনবা তৌদে।

**দাইবেটিশনা মতৌ করম্না খোঙদা শোকহল্লকই ?** লম্বী চৎপদা খোঙ নারকপা অমসুং লম শাংনা চৎলুরবা মতুংদা চৈনাখোল অদু খাঙবা ঙল্লক্তুবদি দাইবেটিক অনাবা অমনা মহাক্কী খোঙ অমসুং খোঙশাশিংগী ফীভম অদু ফৎত্রে হায়বসি খঙগদবনি। ৱাফম অনীখক্লা দাইবেটিশনা নাবা মীওইগী খোঙদা খ্বাইদগী হেন্না অকায়-অতোই থোকহল্লি। ৱাফম অনী অদুদি অমনা ন্যুরোপেথি অমসুং অতোপ্পা অমনা খোঙদা ঈগী সপ্লাই হন্থরকপা হায়বা অসিনি। খোঙদা অশেংবা ঈ সপ্লাই তৌবগী চাং হন্থরকপগী মরম অনীখক লৈ। অহানবা মরমদি খোঙগী ঈ চেনবা শিংলীশিংগী মনুংদা ফেট অমসুং কেলসিয়ম লেপ্পা লৈতনা তূংশিল্লকপা মরমদগী শিংলীশিং অদু খূজিল্লকপা অসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা খোঙ য়ৌগদবা অশেংবা ঈগী সপ্লাই অসি হন্থরকই। মতাং অসিদা মতম চানা অশোয়বা অসি চুমথোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি খোঙগী ঈ সপ্লাই অসি পূমলেপ লেপখিগনি। মসি অরুবা ফীভম অমনি অমসুং খোঙ অসি তপ্না-তপ্না পুমথরকপা য়াই।

**দাইবেটিশনা খোঙগী উনশাদা ঈ সপ্লাই হন্থহল্লি** - খোঙগী উনশাদা ঈ সপ্লাই তৌবা চাং হন্থহনবগী অনীশুবা মরম অমনা, অনা-লায়েংগী লোন্দাদা এ এস এন (ওটোনোমিক সিম্পেথেটিক ন্যুরোপেথি) হায়না খঙনবা ন্যুরোপেথিগী তোপ-তোপ্পা মখল অসিনি। অসিগুম্বা ন্যুরোপেথি মখল অসিনা অশেংবা ঈ অসিবু খোঙগী উনশা মনুংদা য়ৌবা ঙমহন্দে। থৌওং অসি অশেংবা ঈ অদু মশাগী পন্থুংফম য়ৌদ্রিঙৈদা লমখাঙদগী হনখিবদগীনি। মসি ত্রেন তোংদুনা লাকপা রেলৱেগী পেসেঞ্জর অমনা মহাক্কী খোঙচৎ অদু লমখাংদা তোকথোল্লগা অমুক মনীং হন্দুনা চৎখিবগা চপ মান্নৈ। মতৌ অসুম্না খাঙতপ্না লেপখিবা অসিনা মরম ওইদুনা ঈ সপ্লাই তৌবগী চাং অসি য়াম্না হন্থরকপদগী খোঙ অসিদা খাঙমদবা চৈনাখোল পোল্লকই অমসুং উনশা মচু হোংবা হৌরকই। হায়রিবা ফীভম অসি য়ৌরল্লবদি দাইবেটিশকী অনাবশিংনা খুদক্তা ভাস্ক্যুলর সর্জন অমগা তান্নগদবনি।

**দাইবেটিশতা ন্যুরোপেথিনা খোঙগী খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা অনীশুবা য়েক্লবনি** - ন্যুরোপেথি (সেন্সোরি অমসুং মোটোর) না দাইবেটিশনা নারবা মীওই অমগী খোঙগী মথৌ-মঙম অমসুং মওং-মতৌদা অহোংবা কয়ামরুম পুরকই। মসিনা মরম ওইদুনা মরু ওইনা খোঙগী খোঙয়া অমসুং খূনীংদা চৈনাখোল অমদি জিং-জিং লাউবা ফাওবগী নুংঙাইতবা অমা থোকহল্লকই। ন্যুরোপেথিনা মরম ওইদুনা খোঙগী তোংশাশিং অসি খরা খরা পঙথরপ-শিথরপ তৌরকই। খোঙ অসি তোংশাগী মথৌ তাবা তেংবাঙ অদু ৱাৎপদগী শরৗশিংদা তাইনরকই, মসিগা লোয়ননা শরৗ শম্নফম তাংশিংগী মথৌদসু অকায়বা থোকহল্লকই। মসিদগী খোঙ অসিদা মতম পূম্বগী ওইনা চৈনাখোল পোল্লকই অমসুং জিং-জিং লাউরকই অমদি থৌওং অসি চৎলগা হেনগৎলকই।

**দাইবেটিশতা খোঙ কংশিল্লকপা অসি খুদোংথীনীংঙাইনি** - দাইবেটিশতা খোঙ অমসুং খোঙপাক্কী উনশা অসি কা হেন্না কংশিল্লকই। অসুম্না কংশিল্লকপা অসিদগী উনশাদা চেকখায়বা অমসুং মখুন-মখুন হুৎপনচিংবা তৌরক্তুনা খোঙ অসি লাইজৌরল্লবা মরম অমা ওইরকই। দাইবেটিশকী লায়না অসিদা উনশা কংশিল্লকপগী অচৌবা মরম অমদি দাইবেটিক ওটোনোমিক ন্যুরোপেথি (দি এন এ) হায়বা অসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা হুমাং শুংবা অমসুং উনশা অসিবু চোৎ-চোৎ লাউনা, থোৎনা থম্বা গ্লান্দশিং অসি মথৌ চুম্না তৌবা ঙমহন্দে। মরম অসিদগী দাইবেটিশনা নাবা মীওইশিংগী খোঙদা কংশিনবা, চেকখায়বা অমসুং অপাৎ-অপোম হায়রিবশিং খোঙলৈ থুনা তৌরক্তুনা আ মনুং য়ৌনা শোকচিল্লকই। অসিগুম্বা লায়ওং অসি লায়েংবদা অরুবা ফীভম অমা মায়োক্লে। করিগুম্বা মতাংদা অশোকপা অদু লৈহন্দনবা অমসুং লায়জৌবা থিংনবগীদমক্তা ওপরেশন অমা পাঙথোকপা মথৌ তারকই। ● মথং মথং...

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৭কী ৱাহং**

১) “পি শিন্থরগবু অৱাবা কৌরবদি
ইঙা থাদা নোং চুরি
লৈচিলনা অৱাবা খঙবরা!
ঐদি কপ্তে, অদুনা ৱাদে খল্লবরা?”

মথক্তা থমজরিবা অসি লিরিকেল পোইম অমগী অহৌবদা য়াওবনি। লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) “অমম্বা য়ুগ” (১৯৯৯) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা ত্রান্সলেশন তৌবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং অমদি ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “কোয়মাঙ মাঙবা খোঞ্জেল ইহুল” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৪) “ইনেবেম্মা” হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু। অইবা অসি কনানো?

৫) “থৱায় মঙা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।